ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯦ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯴꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৪৪শুবা মশীং

## পোপী পান্বী থাবশিং

### চৈবুল পীগদ্রা, ঙামোক পীজরগা থেমগদ্রা

কুমজা ১৯৮৫দা লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌরগা এক্ত ওন্দুনা চৎনরক্লিবা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী অহকপা অথিংবা চরোং অমা লৈজরকপগী মথক্তা মণিপুরগী ১১শুবা এসেমব্লি মীখল মতুং মার্চ ১৫, ২০১৭তা লিংখিবা লৈঙাক্না 'ৱার ওন দ্রগস' কি ৱাফম হৌদোরকখি। ময়াই কাবা নার্কোটিক, সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেসকী মনুং চল্লিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মরু ওইনা দ্রগকা লান্থেংনগদবা লানফমদা অনৌবা অফবা খূৎলায় শেম শাদুনা হাপচিল্লকপমক নৎত্রবসু দ্রগ য়াওনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংবু মায়থীবা পীনবগীদমক শাফি-লানফি শেৎকৎলকখি। হান্নদগী লৈজরক্লিবা এন দি এন্দ পি এস এক্ট শুদোক-চামথোক্তুনা মথৌ শঙলকখি। খোঙথাংসিমক মমাঙগী লৈঙাক্তুনা মণিপুরগী তুংগী মীরোলগী য়াওনা হৌজিক লৈরিবা মীরোলসিবু তমথীরবা দ্রগকী ঈপাক্তগী কলহৌনবগীদমক শোক্নরকপা লাননি। অফবা লান্থেংনি। লান অসি মায় পাকহন্নবগীদমক উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা এন দি এন্দ পি এস এক্টকা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল চখনবা স্পেসল ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট ফাওবা লিংখৎখি। দ্রগ য়াওনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং মায়পাক্না ফাগৎপা ঙন্বা পুলিস পর্সনেলশিংদা কেস রিৱার্দ ফাওবা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখি। অদুগা মণিপুর মীয়ামগী লাইবক ফবা হায়গদ্রা ষ্টেটসিদা ৱার ওন দ্রগস হৌদোক্তুনা শোক্নবা হৌরকখিবা লৈঙাক্তুমক হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা এসেমব্লি মীখল মতুংদসু অমুক হল্লকখি। অমুক হল্লকপগা মমাঙদা চহী ৫ চূপ্না লান্থেংনরকখ্রবসু চোকথবা লৈতনা, হনবা নাইদনা ৱার ওন দ্রগকী অনীশুবা অনৌবা লানফমদা অমুক মায় ওনশিল্লকখি। লানসিগী লান্মীশিংবু মপাঙ্গল হাপ্নবা নার্কোটিক দ্রগস অমসুং সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্টকী ওইবা 'টাস্ক ফোর্স' ফাওবা শেমখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী লো দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা পব্লিক প্রোজিকুটর পূন্নমক কৌদুনা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সনশিংগী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী এক্যুজশিং য়ারিবমখৈ বেল পীদনবা খঙহনখি। এক্টসিগী মখাদা ফারবশিং য়ামদ্রবদা চহী ১, শাংদোকহল্লক্লগনা চহী ২ ফাওবা দিটেন তৌনবা পাউতাক পীখি। নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) গী এস পিনা লুচিংবা কম্মিটি অমা শেমদুনা এক্টসিগী মখাদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল থুজিনহন্নবা ফাওবা হোৎনখি।

য়াম্না ফৈ, অফবা খোঙথাং ঙাক্তনি। মায়োক্নরিবা দ্রগকী লানফমসিদা মায় পাক্নবগী তঙাইফদবা লানগী খূৎলায় ঙাক্তনি। অদুবু পোপী পান্বী থারিবশিংগী মতাং য়ৌশিল্লকপদদি গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা পান্বী মখলসিবু থারিবা মীওইশিংদা মসিগী মহুৎ শিনবা য়াবা মরূ-মরাং পীরনি, পোপী পান্বী থাররোই হায়রকপা চীংগী খুলগী খুল্লাকপা/হেদমেন/চীফশিংদা য়াল্লবা শেনফমগী মনানচিংবা পীবা হৌরক্লিবসি য়েংলুরগদি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী য়াদবা, হায়বা ইন্দদুনা তৌরগনা পুন্সিগী ফাদোক ফাওবা পীবা ঙমহল্লিবা এক্টসিবু থুগাইবা কাঙবুসি মরালগী মতুংইন্না চৈবুল পীজগদ্রা নৎত্রগা ঙামোক পীজদুনা থেম্লগা অতোপ্পা শিনফমদা হোংদোকহনগদৌরিব্রা? নৎত্রগনা অতোপ্পা এক্টনা য়াবা পান্বীশিং থাহনগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। হৌজিকপুদি হেন্না কনশিনহনবা মওংদা পোপী পান্বী থারম্বা মফমশিংবু কোনশিনবা খুলশিং রিকগনিসন কক্লগনি হায়বা ৱাফম ফাওবদি ফোঙদোকপা হৌরক্লে। অদুবু হংনরক্লিবা ৱাহংদি এক্টনা, রুলনা অমসুং লোনা য়াদবা থবক তৌরম্বা মীওইশিংসি ফারগা চৈরাক পীফম থোক্তব্রা? পোপী পান্বীশিং থারল্লিবা মফমশিংদু কনাগীনো? লন্নাই খুঞ্জাগীরা, ভিলেজ চীফকী মমিংদা লৈব্রা হায়বসিনি। অনীমক্কী মিংদা লৈত্রগনা লমদু গভর্ণমেন্টকী খাস লেন্দ ওইব্রা হায়বদু হংদবা য়ারক্তে। দ্রগকা মরী লৈনবা কেসতা চেন্নবা মীওই অমত্তা লেম্না থারোই অমসুং মখোয়গসু কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়রিবনিনা পোপী পান্বী থারিবশিং/থাবদা চেন্নবশিং ফারগা মরালগী মতুং ইনবা চৈরাক পীফম থোকই। হৌরম্বা পোপি পান্বীশিং খক্তবু য়ান্থৎলগা ফোটো নম্লগা হল্লকপগী থবক অচুম্বা ওইরক্লোই। লমহেন-তুহেনবা লো থুগাইবশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরগা ৱার ওন দ্রগস থেংনরিবনি হায়দুনা মখোয়গী খূৎফম হঞ্জিন্দুনতা লৈবনদি অশেংবা লানগী অচুম্বা লান্থোং ওইরোই হায়বসি কাউগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শন্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফৈ চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্নরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নান্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙন্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### চিংথহৌবা

থা অসিগী ৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী খোরিরোলগী লমায়দা য়াওখিবা **'থৱায়'** কৌবা শৈরেং অসি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা অনুবাদ তৌরগা সাহিত্য একাদেমিনা ফোঙখিবা রবীন্দ্রনাচোম অহানবা শরুক্তা য়াওবা **"প্রান"** হায়বা শৈরেংদগী রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎ সিংহনা হন্দোকপা শৈরেংনি। (রবীন্দ্রনাচোম, অনীশুবা নম্বা, ২০০৩, সাহিত্য একাদেমি, লমায় ২)। চিংথহৌবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

*- প্রূফ রিদর*

## দ্রগস ওন ৱার

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭০২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

"ৱার ওন দ্রগস" য়াম্না ফজবা, মীয়াম্নসু শম্নবা বি জে পিগী লুচিংবা লৈঙাক্না মণিপুরদা হৌদোকখিবা কেম্প্যেন হৌজিকমক খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লি। মায় পাকপা নৎত্রগা মায় পাক্তবা হায়বদুদি ঐখোয়না পূন্না হোৎনমিন্নবগী মখা পোল্লি। 'দি ৱার ওন দ্রগ' হায়রিবা গ্লোবেল কেম্প্যেন অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইহান হান্না হৌদোকখিবনি। দ্রগ হায়রগা মীয়ামগী পুন্সি কনবদা মতেং পাংলিবা কান্নখ্রবা হীদাকশিং লৈরি। অদুবু মীওইবগী হকচাংবু মাঙহন তাকহন্নবা মওংদা আইন কায়না শীজিন্নবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওহন্দুনা তেনখ্রবা পুন্সি অসিবু খরা থুনা লোইশিনহন্নবা লম্বীরোমদা শীজিন্নরগা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা লাইচুহন্দুনা হীরম কয়ামরুমদা মাঙহন তাকহন্নবা মওংদা শীজিন্নবা থিংসি হায়বনি। য়ু এসতা দ্রগ প্রোহিবিসন তৌদুনা মিলিটরি এইদ অমদি মিলিটরি ইন্টরভেন্সন তৌদুনা ইল্লিগেল দ্রগ ট্রেদকী খোঙজং মতম অদুগী প্রসিদেন্ট রিচার্দ নিক্সননা জুন ১৮, ১৯৭১দা মীদিয়াগী খূথাংদা ইহান হান্না লাউথোকখি। অদুবু হৌজিক কুমজা ২০২২ য়ৌরক্লবা 'দি ৱার ওন দ্রগস' হৌদোকখিবা চহী ৫০ হেল্লক্লবসি ফাওবদা ঙসিসু অমেরিকাদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা ইল্লিগেল ট্রেদ তৌবা ঙসিসু মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। মণিপুরদসু শ্রী বিরেননা কুমজা ২০১৭কী মার্চ থাদগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদগী লাউথোকখিবা ৱার ওন দ্রগস ঙসিসু থিংবা ঙমদ্রি।

দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা, চাবা, কাপ্পা, থকপা, য়োনবা ঙম্মী নৎত্রগা ঙমদ্রি হায়বদুদি ঐহাক্না ইরুদ্রগসু অদোম অদোমনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ঈ-পাউ তারিবা, য়েংবিবা মতমদা অদুমক খঙবিরম্লগনি। ঐখোয়গী ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা খোঙজং ওইনা মিসন অমগা লোয়ননা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবশিং ফানবা, মরালগী মতুংইন্না দন্দি পীনবা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীদুনা কন্না হোৎনবীরি। ফাবসু লেপ্তে নুংতিগী ফারি। নম্বর ফোর কিলো অসুক ফারে, কানি, গঞ্জা, দব্লিয়ু ৱাই, এন টেন অসুক অসুক ফারে হায়বগী পাউ নুংতিগী তাবা ফংই। ফোটোগা কোন্ননসু উৎলক্লি। অদুবু ফারিবা মখৈ হেনগৎলকই। শেন্দোং য়াম্না লৈবা করবার ওইবনা মীশিং অসি শিবা ফাওবা কিনরক্ত্রে। জেলদা লৈগনি, ফাইন চাউনা চাউনা থিহনগনিকা হায়বা ৱাসি তুংওইনরগা করবার অসিদা লেপ্তুনা চথরক্লিবসিনা তাকপদি হিংনবা পাম্বৈ লৈরক্ত্রে হায়বসিমসু তাক্লি। মরমদি ফারিবা কাঙবু অসি দ্রগকী মপু অমত্তা ওইরমদবনা অয়াম্বনি, পুথোক পুশিন তৌবীবগী অপুমল লৌবনা অয়াম্বা হেক্তা ওইরম্মী। শোমদসু অমুক লৈঙাক্না নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) কী কাঙবুগা পুলিসকা আর্মিগা খূৎশম্নরগা পোপি পান্বী খরা হাইদৎলুরগা ফোটো নম্লগা লাকপনা ওইবা য়ারক্ত্রে, কমদৌনি। পোপি থাবা মী, হেদমেন, খুল্লাকপা অমত্তা নোংমা ফারে হায়বগী পাউদি শুংতা হেক তাজদ্রি। মণিপুরগী চীংমাই অয়াম্বা পোপি থাদুনা চীংমাইগী খনি ওন্থোকখ্রে, ৱার ওন দ্রগকী মহুৎ দ্রগস ওন ৱার ওন্থোকখ্রব্রা? দ্রগতা লান তৌবগী মহুত্তা লানদা দ্রগ ওইনা লান্দারক্লে। মসিসু অঙকপা অমনি।

মণিপুরদা দ্রগকী মতাংদদি শুংই হেক ইজররোই। পাবীরিবা অদোমনা ঐঙোন্দগী হেন্না খঙবীরবনি। অদুবু পুন্সিদা ইহান হানবা ওইনা নম্বর ফোর উখিবগী মতাং অদুমদি পন্দবা য়ারক্ত্রে। কুইরে হায়বতাই কুমজা ১৯৮০গী মখা তারকপা মতমনি। ঐখোয় অদুৱাইদা মেটাফোর মিনি বস শাংদোং শাংবা অমা লৈরম্মী। মতম অদুগী দব্বলরোটি মানবা মিনি বস অদুগুম্লগা মনীংগী থোঙদা কারগা মনীংগী থোংদা কূম্বা মিনি লাবা হায়রগসু খঙনবা মিনি বসনি। ইম্ফাল টু ৱাঙ্গোই-ময়াংইম্ফাল চেনবা মিনি লাবা অদু কোয়বা চৎপোই



নুংঙাইবোই করিওই হেন্দিমেনগী টাইপ্তা ভারাগা খোন্বা য়াওখি। মতমদুগী অতোংমল অচোয়বা মখায়, লুপা চান্দি, চেগী অঙাংবা লুপা ২ চৎপী ফনবু নুংঙাইবা ফাওখি। মেট্রিক থাদ্রিঙৈ মমাঙনি। ৱাহেংবম লৈকায় পরেংদা পার্কিং ওই। মতমদুগী মিনি বস তোংবা কাঙবুনা শোয়দনা নীংশিংবীরম্বা য়াই মিনি বস লাবা! ময়াংইম্ফালদগী হাইগৎলক্লগা পেসেঞ্জরশিং থাদরবা মতুংদা ৱাহেংবম লৈকায়দা পার্ক তৌবা লোইরগা মিনি বস পরেংগী মরুমদা হেন্দিমেন ড্রাইভর খরা তূমিন্না য়োমশিন্দুনা লৈরম্মী। চুরুট উপুদা য়াওবা চেরংদুদা গ্লুকোজ পাওদর মানবা মকুপ্তু মখাদা মৈ চুখৎলগা পাইপ মচা অমনা কারক্লিবা মৈখুদু চিংশিল্লগা কামথোক্তনা ঙাইহাক থম্লবা মতুংদা চমদুনা লৈরবা চুরুটতুনা অমুক চিংশিল্লি। হংলুবদা কোন্না খঙলকই। নম্বর ফোর পাওদরনি। ঐঙোন্দসু অমুক্তং চিংলগা য়েংউ হায়রকই। ইমাই অস! ঐ অদুম চেল্লে।

মসিনসু লোইবা নত্তেদো। নোংমা অমনা শুমদৌবনি, মিনি লাবা থৌরিবা ড্রাইভর অদু ঐনা নাওরোন অমা/অনী হল্লগসু ঐখোয় অদুমক লোয়নমিন্নে। অয়ূক অমদা দাইনেমোগা পানবা হম্বর সাইকল লাবা অমা থৌরক্লগা অসুৱাই ফাও চৎলুসি হায়দুনা ঐখোয়নি তোংদুনা চৎমিন্নরে। লিলোং থোং লাল্লগা কদাইদনো চঙশিনখি। কুইদে থোরকই। কাঞ্চিপুর কেথলিক স্কুল তাবা লম্বী ফাওজিল্লক্লগা উ হৌরিবা অদুৱাইদা ঙাইহাক পোথাখিসি হায়না কুমথরে। ফুরিৎখাওদগী করি করিনো য়ানশিল্লগা ঈশিংদা থিৎখ্রিবদু সিরিঞ্জনা চিংই। দোজ হেন্না থিৎচিল্লগা এম এম ৫/৬/৭লা সিরিঞ্জনা হেনজিন্না চিংলুরব্রা মাগী কাপ্পা লোইরগা লেমহৌরিবা খরদু মাঙহনবা পাম্মুই কনামত্তা হায়দোক্লোই ঐঙোন্দা কাপশিল্লক্কে অসিনি। এ, এ কদাইদগী হায়দনা ঐদি লৌবুক ফাওদুনা চেল্লি। মানদি য়াম্না তাঙখ্রপোৎনি কাপ্পীগে কাপ্পীগেনে হায়দনা লাউরগা তান্নরকখি। জাৎ জাৎনিকো পুন্সি অসি।

য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনা পাউমাই নাগা য়ুনিয়নগী ওইনদি মখোয়গী এরিয়াবু দ্রগ ফ্রী জোননি হায়না লাউথোকখ্রে। অসুম্না মণিপুরদা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা য়েলহৌমী পূম্নমক্না অমদি কাঙলূপ খুদিংমক্না চপ মান্নবা ফীরেপ লৌমিন্নরগদি ৱার ওন দ্রগস মায় পাকপগী মায়কৈরোমদা শোয়দনা লাক্কনি। অদু নত্তনা ফ্রী জোন ফ্রী জোন হায়রগা দ্রগ ফ্রী থাবা জোন ওইরক্লগদি পূম্নমক অরেম্বদা তাগনি। চহী ৫০ হেন্না অমেরিকাদগী হৌদোরকখিবা গ্লোবেল কেম্প্যেন অসিদা দ্রগ পোলিসি এল্লাইএন্সকী মখাদা দোলর বিলিয়ন ৫১ চাদিং তৌখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। কুমজা ২০২১ ফাওবগী মতম অসি ফাওবদা দোলর বিলিয়ন অমা য়ৌনা থাদদুনা লান্থেংনরগসু হান্নগী হান্না হামু হামু হায়বদা তাদুনা লৈরি। দ্রগকী কেসতা চেন্নবসি চাইনাগুম্বা আরব কন্ত্রিশিংদদি শিবগী চৈরাক খুদক খুদক্তা পীবগুম্বগী দন্দি ওইরগদি কেম্প্যেনসি মায় পাক্কদ্রা? হংবা য়াবা ৱাহংনি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

নুমিৎসিদা অহানবা নাম দীক্ষা মীওই ১১ লৌই অদুগা ভক্ত ৭ অমনা ব্রাহ্মন দীক্ষা পীবিরে। নুমিৎসিদা প্রোফেসর আর কে তারাচান্দবু তীর্থ রাজ দাস, গুৱাহাটিদগী হেরামনিবু হরি দাস, ওসিনিবু অচার্য্যচরন দাস, অরবিন্দবু অম্বরীষ দাস, ফিজিদগী গজরাজুবু গোবিন্দ চরন দাস, মণিপুরদগী জগদিশ শর্ম্মবু জগদানন্দ দাস, শ্যামানন্দ শর্ম্মবু শ্যামানন্দ দাস, বিরবলবু ভারত দাস, জিবনবু জয়দেব দাস, মায়ারানীবু মাদ্রি দেবী দাসী, গঙ্গাবতিবু গায়ত্রি দেবী দাসী হায়না দীক্ষানাম পীবিদুনা দীক্ষা তৌবিরে। হান্ননা নাম দীক্ষা লৌখ্রবা রঙ্গরাজ দাস, অতুল দাস, কৃষ্ণচন্দ্র দাস, কালিয় কৃষ্ণদাস, কুঞ্জরানী অদুগা কছারদগী কুঞ্জরানি, অদুগা বৃন্দা দেবীবুসু ব্রাহ্মন দীক্ষা পীবিরে। শ্রীল শ্রীপাদনা দীক্ষা পীবিরম্লগা দোল যাত্রা য়াওবা লাকপা ফোরেন্নর ভক্তশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল থাদোক্তুনা চৎখরে।"

মথক্কী মফমসিদা য়াওবা মণিপুরদগী জগদিশ শর্ম্মবু জগদানন্দ দাস, শ্যামানন্দ শর্ম্মবু শ্যামানন্দ দাস হায়না শ্রীল শ্রীপাদ (মতম অমদা দামোদর কৌরম্বা মীতৈ মচাসি) না বামোন অনীসিবু দীক্ষা নাম ইনৌ নৌনা পীবসিনা তাকইবদি বামোন শাগৈগী কাঙলূপ্তা/শাগৈ অমদা পোকই হায়দুনসু ব্রাহ্মন অমা ওইবগী মতিক ময়াই য়াওদ্রবদি/লৈত্রবদি ব্রাহ্মন অমনি হায়না মশানা হায়বা/হায়জবা য়াদে হায়বসি ময়েক শেংলবনি। কুমজা ১৯৯৫দা মতম অদুদা সেন্ট সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈরিঙৈদা মাগী মমিং হিজ হোলিনেজ ভক্তিস্বারুপ দামোদর স্বামী কৌই হায়না ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটলাদা মশক তাকখিবসিনা - কনাবু ব্রাহ্মন কৌগনি/হায়গনি হায়বগী মরমদা তশেংনা অচুম্বা (absolute truth) খঙলবা মীশক্তুবু কৌগনি/খঙগনি। হায়গনি, মহাক্কী মপোক্না ওইবা/হায়বা ঙমদে হায়বসি তুনা হায়বদি পূন্না শমজিন্নদুনা খন্নবা তারবদি হৌজিক্কী গৌড় হিন্দুগী খুন্নাইসিদা বামোন শাগৈদা পোকপা মীশক কয়াবু ব্রাহ্মননি হায়না লৌগদগে হায়বগী ৱাফমসি চোঙথোরকপা মশানা তারবনি।

হান্না কংলৈপাক কৌরম্বদগী ১৮শুবা চহী হৌরকপদা মীরমগী মমিং মানবা মণিপুর হায়না থোনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ঙসিমক ফাওবদা খন্নদুনা লাক্লম্বা অরানবা ৱাফম অমদি - জ্যোতিষকী মীৎয়েংদগী ব্রাহ্মন মচা অমা উপনয়ন (নুগুন থাংবগী) অফবা চহী মতাংসি চহী ৮দগী ১৬ ফাওবা ওইবসিদগী গর্ভগী নরমাস (মীরোলবগী মতম) থা ৯ কক্লগা চহী ৭ থা ৩দগীনা চহী ১৫ থা ৩ ওইগনি হায়না পীরি। খরা হেন্না কুপথবদা অষ্টা বর্সে থা ৯ সে চহী ৭তগী কক্লগা চহী ৬ থা ৩দগী নোংমা হেক হেনবদা ব্রাহ্মন অমগী নুগুন থাংবা য়ারে হায়নসু পীরি। অদুগা খুন্নাইদা নহালখৈ চৎনহল্লম্লিবদি ক্ষত্রিয় ওইরগনা চহী ১০ থা ৩দগীনা চহী ২১ থা ৩ অদুগা বৈশ্যা ওইরগনা চহী ১১ থা ৩দগীনা চহী ২৩ থা ৩দা উপনয়ন (নুগুন থাংবা) তৌগদবনি হায়না চৎনবী লৈবসিনি। হোয় চৎনবী অমা লৈবা হায়বসিদি ফৈ। অদুবু মখোয়গী হান্নদগী থাজদুনা লাকপা ৱাখলদি বামোন নুপামচা মখৈনা চহী নৌনা হায়বদি চহী ৬ থা ৩দগী নোংমা হেক হেনবদা নুগুন থাংলবনিনা বামোন মচা খুদিংমক ব্রাহ্মন হেক্তা ওইরে হায়বসি ইস্কোন হিন্দুগী চৎনবীদা মথক্কী গৌড় হিন্দুগী চৎনবীসি ওইরমদ্রে হায়বদা লান্নীংঙাই মরম লৈত্রে।

মমুৎ তানা নৈনবদা নুংঙাইনবা পাবুং জগদীশ শর্ম্মগী মরমদা অইবনা অঙাং ওইরিঙৈদা খঙজখিবা ৱাফম খরা পঞ্জগে। পাবুং জগদীশ শর্ম্ম অইববু পোকপী (বিজয় গোবিন্দগী রাজকুমারী) ইমাগী মচে (ইমাসি) দগী ফাওবা য়ামদ্রবদা চহী ৭-৮ রোম হল্লি। মতম অমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা বিজয় গোবিন্দগী লাল্লুপ কাবা বামোন পুজারি ওইরম্মী। পাবুংসিবু পোকপা ইধৌ হায়বা তারে ইধৌ মিং ওইনা পঞ্জরবদা মধুমঙ্গল শর্ম্ম মতমদুদা জ্যোতিষ শাস্ত্র খঙবা অমসু ওইখি। অদুনা পাবুং জগদীশসু জ্যোতিষ তমহৌবনি খঙদে, পাঞ্জিসু অদুম ওইখি। ঐনা খঙজবদা বিজয় গোবিন্দগী লাল্লুপতি মতম শাংনা কারমখিদবা মাল্লি। বামোন অমা ওইবগী কনাগুম্বগী কোষ্টি য়েংলুবদা ঙাক্লৌ/পৃতিকার তৌনবা হায়রকপশিংদু লাইশঙ/মন্দিরদা অদুম ফজনা তৌরি। অরুবা মন্ত্রকসু ইবিবগী ৱারীসু অদুম তাখি। মশাসু য়াম্না নানজৈ অদুনা মতমদুদদি খঙদবনিনা ব্রাহ্মন ওইনসু অদুম খন্নখি। পাবুং জগদীশ শর্ম্মদি ইমাগী হেক পোকমিন্নবী মচে (ইমাসি) দগী ফাওবা চহী হনবনিনা মখোয়গী মতমদদি গৌড় হিন্দুগী য়াম্না কনবা ইথিল লৈরিঙৈগী মতম থাদোক্লগা অইবা ইশানা চহী ১২/১৩ শুরকপা মতমদা ফাওবা ইরুজদ্রবদি চাক চাবা য়াদে হায়দুনা চাক পীজদবা মতমনি। য়েরূম হৌবা ফাওবা য়াদবা মতাংনি। লুকুন থাংলমদাইদা/নুপীমচাশিংনা লাইমিং লৌরমদাইদা য়েরূম চানিংলবদি চাহৌরো, মসিগী মতুংদদি য়াদে হায়দুনা অথিংবা য়াম্না তৌনবা মতমদুগী আ মমাঙদা পাবুং জগদীশ শর্ম্ম মীয়াই হেন্না চল্লবা ময়ূম পাল্লবা মীশক ওইখ্রবনি। মশাসু অদুম চৎনবা য়ানা লাইরিক হৈবগা লোয়ননা বামোনগী লাইরিক-সংস্কৃটকসু হৈবনা মতমদুদা মীয়াম্না মশক খঙবা পাম্নবা বামোন হায়বদু ওইখ্রবনি। মতমদুদদি লৈকায় অমদা ইনাৎ লাইনীং চৎপশিংবু 'মৈতৈ/মীতৈ' হায়না খঙনদুনা অমনা অমগী মখূৎ ফাওবা চানবদি লায়রদনা থৌদোক ৱাথোক ফাওবা চঙনদে। য়াম্না তমথীনবা মতাং ওইখিবদু খঙলকখি। মতম অদুদসু গৌড় হিন্দু চৎপশিংবু মখোয় মশেল য়াম্না নকশিন্নবদা, লৈকায়দুদা বামোন ইমুং/শাগৈ লৈরবদি মীয়াম্না ময়ূম ইস্খোলদা হৌবা/পানবা ফজবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ কৎশিনবা মক্তনি। অদুগুম্বা মতমদুদা পাবুং জগদীশ গৌড় হিন্দুগী ইমুংদা থোকপা থৌরম কয়াদা মণ্ডপ মপু হায়বদু ফাওবা কয়ারক ওইখ্রবনি। মদুগী মতুং কায়নথংদা মমি শামি ওইনা ইস্কোনগী ৱা খরা খরা ঙাঙনবা হৌরকপদা - গেরুৱা মচুগী ফিজোল শেৎপা, মরূ কোকপা চিখা খাকপা মীওই খরা বিজয় গোবিন্দদা লাকপদা উনবা খরা য়াওরকখিবদগী বিজয় গোবিন্দদগী নিংঙোল খরসু ইস্কোনদা কায়নথংদা য়াওখিবা লৈখি। হিংলিব্রা চঙলিব্রা হায়বদি খঙদ্রে। চহীদদি ঐনা মখোয়দগী খরদি হল্লি।

হৌজিক থমজনীংলিবা ৱাফমদি য়ামদ্রবদা মশাগী চহী ৭০গী ময়াদা বামোন অমা ওইনা গৌড় হিন্দু লাইনীংদা খঙ হৈরবা অমা ওইনা পুন্সি লেল্লক্লবা মতুংদা শ্রীল শ্রীপাদ (মতম অমগী দামোদর) গা লোয়নরক্লবা মতুং পুন্সিগী য়াচংবা মতম ওইরক্লবা মতমদা হান্নগী বামোন মচা অমা ওইনা দীক্ষা-উপনয়ননচিংবা তৌবদুনা ইস্কোনগী চৎনবীদা ব্রাহ্মন অমনি হায়না শকখঙবা য়াদবদগী কুমজা ১৯৯৭কী মার্চকী তাং ৩০দা শুপ্নতগী অহানবা থাক্তা 'নাম দীক্ষা' লৌরবা মতুংদা অৱাংবা থাক্কী 'ব্রাহ্মন দীক্ষা' লৌগদবদু লৌবা নংদনা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ পাবুং জগদিস তানখ্রে। লাইবক থীবদদি নোংদম্বা মপুগী নোংদমখোন্দগী শ্রীল শ্রীপাদসু লাইবক থীবা থৌদোক অমদগী পুন্সি চেঙজেল লোইদুনা মপুগী মফমদা তিনখি।

শ্রীল শ্রীপাদনা কনাগুম্বা অমা বামোনগী য়ূম্নাক/শাগৈ/গোত্র অমদা মপোক্কী ওইনা পোকই হায়দুনা মশানা মশাবু ব্রাহ্মন অমনি হায়না খঞ্জবা/লৌজবা য়াদে হায়বসি ময়েক শেংনা মথক্তা খুদম চাংদম পীদুনা তাকখিবসিগা মান্নবা মওংদা অকোইজম ইবোমচা অঙোম্না ইবা 'অমুক্তা খন্থমিন্নসি' হায়বা মাগী লাইরিকসিগী চেমায়/লাতম ২৩-২৪দা অসুম্না হায়রি - "... ক্ষেত্রিনসু ব্রাহ্মন ওইবা য়াই/ব্রাহ্মনসু ক্ষেত্রিদা, ক্ষেত্রিনসু ব্রাহ্মনদা অমনা অমদা মহাক মহাক্না ফংলিবা মতিক ময়াই অদুগী মতুংইন্না হোংদোক হোংজিন য়ান্নরম্মী। খুদম ওইনা ত্রেতা যুগতা মীতৈগীদা হায়রগা হয়াচক্কী কুমশিংদা কান্যকুজ-দেসতা পোকখিবা নিংথৌমচা বিশ্বমিত্র মমিং পনবা য়াই। মহাক্কী মমিং অসি অহানবদা বিশ্বরথ কৌরম্মী, ব্রাহ্মন ওইরবা মতুংদা বিশ্বমিত্র কৌখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।